ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী জোকোবিচ মায় পাক্তুনা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা য়ু এস এগী ন্যু য়োর্ক সিটিদা চথরিবা সিজন অসিগী অরোইবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপনগী ৪শুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় ব্রুক্সবিবু সেট ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মায়থীবা খরা য়াওখ্রবসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সর্ভিয়াগী জোকোবিচনা য়ু এস এগী শান্নরোয় জেন্সন ব্রুক্সবিগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু য়ু এস এগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না হেনবা মওংদা জোকোবিচকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-১দা থোইখি।

সেট অমা শোথরবা জোকোবিচনা অনীশুবা সেটতা মহাক্কী মায়কৈদগী এক্সপরিয়েন্সশিং অদু শীজিন্নরকপা অদুগী কান্নবা ফংদুনা ব্রুক্সবিগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইরগা সেট অমমম্মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মখা তারকপা মরিশুবা রাউন্দ অদুগী লম্বাদা শান্নবা অহুমশুবা সেট অমদি মরিশুবা সেট অদুদা য়ু এস এগী শান্নরোয় ব্রুক্সবিগী সর্ভিস গেম ২/২ ব্রেক তৌদুনা সেট অনীমক ৬-২, ৬-২দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা শান্নরোয় ইটালিগী মাটিও বেরেটিনিগা লম্বা তৌনরগনি।

বেরেটিনিনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অদুদা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা জর্মনিগী ওস্কার ওটেবু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরবা মতুং সেট ৩-১ (৬-৪, ৩-৬, ৬-৩, ৬-২) দা থোইরগা লাকখিবনি।

নুপাগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী লোইদ হেরিশয়াওরি। অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিগী জে সিন্নরবু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৪, ৬-৪, ৭-৬ (৯-৭)তা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা সাউথ অফ্রিকাগী লোইদ হেরিশনা টুর্নামেন্ট অসিগী ২২শুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ু এস এগী রেলি ওপেলকাগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু টাই ব্রেকতা ৬-৭ (৬-৮)দা মায়থীরবা মতুং থংনবা সেট অহুম মহাক্না ৬-৪, ৬-১, ৬-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্যের মেথিয়ু এবদেন অমসুং মেক্স পর্সেলনা ৪শুবা সিদেদ প্যের য়ু এসকী রজিব রাম অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসবুরিগা লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক ওইরিবা য়ু এসকী ষ্টিভ জোন্সন অমসুং সাম ক্বেরিগী প্যেরনা জর্মনিগী কেবিন ক্রাৱিচ অমদি রোমানিয়াগী হোরিয়া টেকোগী প্যেরগা শান্নগদৌরি। লোয়ননা দবলসকী অনীশুবা সিদেদ প্যের ওইরিবা অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোস অমদি স্পেনগী মার্সেল গ্রানোলর্সনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ ব্রাজিলগী ব্রুনো সাৱেস অমদি গ্রেট বৃটেনগী জেমি মুরেগা থেংনগনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী প্যের পি ঐচ হর্বর্ট অমদি নিকোলাস মাহুদকী প্যেরনা ৮শুবা সিদেদ স্লোভাকিয়াগী ফিলিপ পোলাসেক অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী জে ান পিয়র্সকী লম্বাগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নরগা সেমীফাইনেল য়ৌননবা হোৎনগদৌরি।

জর্মনিনা অর্মেনিয়াবু পাঞ্জল ৬-০দা থোইদুনা য়ুরোপিয়ন ফিফা ক্বালিফিকেসনগী গ্রুপ জেগী মকোক ওইরি

বর্লিন, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিনা কুমজা ২০২২দা কটারনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিগী য়ুরোপিয়ন ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী গ্রুপ জেদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মঙাশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অর্মেনিয়াবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী ওইনা মকোক থোংদুনা লৈরি।

বর্লিনদা লৈবা মর্সিদিজ বেন্স এরেনাদা শান্নখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ জেগী ক্বালিফায়িং মেটচ অদুদা জর্মনিগী মায়কৈদগী সর্জে নাব্রিনা অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল ২ অদুনা মপূং ওইরগা মখা তাবা অতোপ্পা টিমমেটে মরিনা পাঞ্জল অমমম্ চনশিল্লগা অর্মেনিয়াবু ৬-০দা থোইরগা গ্রুপ অদুগী মকোক থোংবা ঙম্লিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৬শুবা মিনটতা জর্মনিগী সর্জেনাব্রিনা টিমমেট লিওন গোরেটজকাগী বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং মেটচকী ১৫শুবা মিনটতা অতোপ্পা টিমমেট মার্কো রুসনা পীরকপা বোল অমদা নাব্রিনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল অমগা চল্লগা অর্মেনিয়াবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

শান্নবগী মখা চথরকপা ৩৫শুবা মিনটতা জর্মনিগী মায়কৈদগী টিমো ৱার্নরনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা মার্কো রুসনা পাঞ্জল ১ হাপচিল্লগা অর্মেনিয়াবু ৩-০দা হেল্লবা মতুং অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা টিমো ৱার্নরনা টিমমেট লিওন বোরেস্কাগী মায়কৈদগী ইন্থোরকপা বোলদা পাঞ্জল ১ চল্লগা হাফ অদু মখোয়না অর্মেনিয়াবু ৪-০দা হেন্দুনা লৈখি। অহানবা হাফতা অর্মেনিয়াগী মায়কৈদগী জর্মনিনা তৌশিল্লকখিবা এটেকেশিং অমদি চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুবু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ অনীশুবা হাফকী হৌরকপা মিনট ৭ চঙশিল্লকপদা অতোপ্পা জর্মনিগী শান্নরোয় জোনাস হোপমেননা মঙাশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অর্মেনিয়াগী মায়কৈদগী হোৎনখিবা খূদিংমক অরেম্বা তারবা মতুং মেটচকী ইঞ্জুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা মখা তানা মেটচ অদুদা খূদুম চন্দুনা লাকখিবা জর্মনিগী করিম অদেয়েমিনা টিমমেট ফ্লোরিয়ান ৱর্জর্টকী সপ্লাইদা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু ৬-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী ওইনা মেটচ ৫ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১২ ফংলগা মকোক থোংলি। জর্মনিনা মায়থীবা পীখিবা অর্মেনিয়াগী টিমনা করিগুম্বা ঙরাংগী মেটচ অদু মায় পাক্লম্বা তারবদি মখোয়না জর্মনিদগী পোইন্ট ১ হেল্লগা লৈরমগদবনি। অদুবু জর্মনিগী মশান্না অদুদা মখোয় কান্নবা ফংখিদবদগী মায়থীবা নংদুনা শোথহৌবদগী পোইন্ট ১০ ফংলগা গ্রুপ জেগী ওইনা ২শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ৱর্ল্ড কপ অসিগী এসিয়াগী ওইবা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী গ্রুপ এগী অহুমশুবা রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাউথ কোরিয়ানা লেবাননবু পাঞ্জল ১-০দা থোইরগা গ্রুপ অসিগী ওইনা টিম ৬কী লম্বাদা মকোক থোংদুনা লৈরি। সাউথ কোরিয়া অমসুং লেবাননগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী ১৫শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী চাং হুন কোননা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখিবনি।

ভিক্টর য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল বেদমিন্টনগী ক্বালিফায়িংদা মৈরাবা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

খার্কিভ, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): য়ুরোপকী লৈবাক ওইরিবা য়ুক্রেনগী সিটি খার্গিভতা পাঙথোক্লিবা ভিক্টর য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরিবা নৌনা সিনিয়র থাক্তা শরুক য়াখ্রবা মণিপুর মচা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা লাটভিয়া ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা মহাক্কী করিয়রগী ওইনা জুনিয়র থাক্তগী সিনিয়র থাক্তগা অহানবা ওইনা কম্পিটিসন য়াওরকপদা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মৈরাবনা ভিক্টর য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোয় এন্দ্রিজ অন্টোস্কাবু শুপ্পগী মিনট ২৩দা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদু শুপ্পগী গেম ২দা ২১-১৪, ২১-১১দা মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ম্যেন দ্রোদা য়ৌনবগীদমক মালেসিয়াগী শান্নরোয় কোক জিং হোংগা অহুমশুবা রাউন্দ থেংনগদৌরি।

পনবা য়াই, মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক য়ুক্রেনগী শান্নরোয় লিব দেরেভিয়ানকোবু য়াম্না কোম্না ২১-৭, ২১-৫দা থোইদুনা লাকখিবনি।

য়ুক্রেনদা পাঙথোক্লিবা ভিক্টর ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরদগী হৌখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় বিদ্যসাগর সলামসু এর্ন্ট্রি তৌরম্লগা অহানবা রাউন্দ শান্নবা ঙমদনা মখা তাবা ঙমখিদে। টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা সাই চরন কোয়া, রোহন গুর্বানি, সাই বিষ্ণু পুলেলা অমসুং সটিশ কুমার করুনাকরন য়াওরি। মখোয়শিং অসিসু করিগুম্বা অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাকপা ঙল্লবদি ভিক্টর য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ম্যেন দ্রোদা ক্বালিফায়র ৮গী মনুংদা চনগদৌরিবনি। মাঙজৌননা ম্যেন দ্রোদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কয়া অমসু ক্বালিফাই ওইদুনা লৈরি।

কোল ইন্দিয়ানা স্পোর্টস হোষ্টেল শানবা এন এস দি এফতা লুপা ক্রোর ৭৫গী মতেং পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রাইভেট কম্পেনিশিংগী মনুংদা মরুওইবা অমা ওইরিবা কোল ইন্দিয়া লিমিটেদনা লৈবাক অসিগী ওইনা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা মতেং পীবগী খোঙথাং অমদা তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা স্পোর্টস হোষ্টেল শাননবগীদমক এন এস দি এফ (নেসনল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ফন্দ)দা লুপা ক্রোর ৭৫গী মতেং পীখ্রে।

কোল ইন্দিয়া লিমিটেদকী লুপা ক্রোর ৭৫গী মতেং অসি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)গী একাদেমি ওইরিবা বেঙ্গলোর, ভোপাল অমসুং গ্বালিয়র সিটিদা লৈবা লক্ষ্মীবাই নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসনদা হোষ্টেল অহুম শাননবা পীখিবনি।

কোল ইন্দিয়ানা লুপা ক্রোর ৭৫গী শেলগী মতেং অদু এন এস দি এফতা পীখিবা মতেং অসি কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি (সী এস আর)গী খোঙথাং অমা ওইরি। হায়রিবা চ্যেক অদু ঙসি ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী থৌদাং পুরিবা অনুরাগ থাকুরদা কোল ইন্দিয়ানা খূৎশিন্নখিবনি। শেলগী মতেং খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অমদি পেরালিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংনা উৎখিবা থৌনা অমদি ফংলকখিবা মেদলশিং অদুগী মতুংদা তুংদা লাক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী নৌরিবা শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা কোল ইন্দিয়া লিমিটেদনা শান্নরোয়শিংগী ওইবা হোষ্টেল অহুমগী মতেং পীরকপা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সুপ্রিম কোর্টনা হোক্কী মশান্নবু ইন্দিয়াগী নেসনল স্পোর্ট ওইবগী প্লি অদু রিজেক্ট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ৱায়েলশঙগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা লোয়র বিশাল টিৱারিনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমদি অতোপ্পা লূপশিংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরদুনা হোক্কী মশান্নবু ইন্দিয়াগী নেসনল স্পোর্ট ওইনা শকখঙনবগী পি আই এল অদু রিজেক্ট তৌখ্রে।

খোঙথাং অসি সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস উদয় উমেশ ললিতনা লুচিংবা অদুগা জষ্টিস এস রবিন্দ্র ভাট অমসুং বেলা এম ট্রিভেদিনা চ্যের তৌখিবা বেঞ্চ অদুনা পি আই এল (পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন) অদু কক্খিবনি।

পি আই এল থাঙ্গৎলকখিবা অদুগী লোয়র বিশাল টিৱারিনা সুপ্রিম কোর্টতা মহাক্কী পিটিসন অদুগা মরী লৈননা হংখিবদা ইন্দিয়াগী ওইনা নেসনল এনিমেল অমা লৈবা ঙল্লবা মতুং লৈবাক অসিগী ওইনা নেসনল গেম অমা লৈবা য়াদব্রা হায়খি। মহাক্কী পিটিসন অদুনা এপেক্স কোর্ট অদুদা হংখিবা মখা তাবা ৱারোলদা লৈঙাক্তা অকক্নবা কাঙলোন পীদুনা এথলেটিক্স গেমস অমদি অতোপ্পা শান্নবগী দিসিপ্লিন খূদিংমক্তা অহেনবা খূদোংচাবা পীননবা হায়খি। মসিগা মরী লৈননা মালেমগী ওইনা লৈরিবা মশান্নশিং অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা এদভান্স ট্রেনিং ফংহনবা অমদি শান্নরোয়শিং অদুনা ট্রেনিং তৌবা মতমদা চঙগদবা ফন্দশিং অদুসু পীননবা খঙহনখি।

পিটিসন অদুনা মখা তারদুনা ইন্দিয়ানা মালেমগী ওইনা ক্রিকেট মশান্নদা সুপর পাৱর ওইবা ঙমদুনা লৈরিঙৈ অসিদা অতোপ্পা শান্নবগী দিসিপ্লিনশিংদসু অহেনবা ৱাখল্লোন অমদি লুচিংবগী ওইবা হীরম পীদুনা ফগৎহনবা য়াদব্রা হায়না হংখি।

ক্রিকেট মশান্নগী মরুমদা হোক্কী মশান্না অসি ইন্দিয়াগী ওইনা হান্না লৈরম্বা শক্তম অদু হন্থখ্রবনি। মদুনা লাক্কদৌরিবা মতম খরা অসিদা হোক্কী মশান্না অসিসু শৌগৎপীদুনা নেসনল গেম ওইবা য়াদব্রা হায়না পি আই এল অদুগী ৱারোলশিংদা য়াওরি।

সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী কেস অদুগী মকোক থোংখিবা জষ্টিস উদয় উমেশ ললিতনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী ওইনা মীয়াম মরক্তগী বোক্সর মেরি কোমগুম্না অপনবা কয়া লৈরবসু মাঙজিল থারকপগী পাঙ্গল অদু ঙম্বা শান্নরোয় কয়া অমা মথৌ তারি। মরম অদুনা কোর্ট অসিনা মখা তাবা নেসনল স্পোর্ট ওইননবা হোক্কীবু চিংশিনবা ঙমদে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী মখা তাবা থবক পায়খৎপা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৈতে। পিটিসন অদু ৱিদ্রো তৌবা নৎত্রগনা পিটিসন অদু দিসমিস তৌবা নৎতনা অতোপ্পা খোঙথাং লৈতে হায়খি। পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী শান্নবগী পুৱারীদা চহী ৪০গী মতুংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ওলিম্পিক্সতা মেদল লৌবা ঙমখিবনি। লোয়ননা নুপীগী টিমনা ৪শুবা তারকখিবনি।

ইন্দিয়াগী হোক্কী ওলিম্পিয়ন সুশিলা চনুদা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): জপাননা য়ূম্বু ওইরগা মমাং থাদা লোইশিনখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা হান্না লৈরকখিবা ফীভমদগী য়াম্না ফজবা মওংদা থাক ৱাংখৎতুনা মরিশুবা পোজিসন ফংবা ঙমখিবা অদুদা টিমগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইখিবী মণিপুর মচা পুখ্রম্বম সুশিলা চনুবু সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা পুখ্রম্বম শ্যামসুন্দর অমদি পুখ্রম্বম ওংবী লাতা অনীগী মচানুপী সুশিলা চনু পুখ্রম্বমবু ইকাই খুম্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লানাজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না পীকপা ষ্টেট অমা ওইরবসু শান্নবগী হীরমদদি পাৱর হাউসনি হায়না লৌনরিবনি। সুশিলা চনু পুখ্রম্বমনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াদুনা মরিশুবা পোজিসন ফংলকখিবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীশীং য়াল্লবা ষ্টেটশিংগী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ঙম্বগী চাং য়েংনরুবদা মণিপুরদগী শান্নরোয় মঙা য়াওরকখিবা অদুনা য়াম্না হেনখি। শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী দিসিপ্লিনশিং অদুদা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা লৈবাক্কীদমক্তা মিংচৎ পুরকপা ঙমখি। হোক্কীদা নুপাগী নিলকান্ত ব্রোঞ্জ মেদল ফংবদা শরুক য়াখি। নুপীগীদা সুশিলা চনু ৪শুবা তাখি। জুদোদা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়াগী শুশিলা শরুক য়াবা ঙমখি। বোক্সিংদা মেরি কোম য়াওখি। লোয়ননা মিরাবাই চনুনা সিলভর মেদল ফংখি।

দুরান কপ ২০২১দা এফ সী গোৱানা মখোয়গী কেম্প্যেন হৌরকপদা আর্মি গ্রীন ফুটবোল টিমবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা দুরান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা এফ সী গোৱানা ঙসি কোলকাটাদা পাঙথোকপা এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা দুরান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মখোয়গী অহানবা মেটচ ওইনা আর্মি গ্রীন ফুটবোল টিমগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসি কোলকাটাদা লৈবা ভিভেকানন্দ য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গনদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী ফজবা ঙমখি। ফিল্ড অদুদা নোং তারবসু শান্নবগী খোঙজেল অদু লেপ্তুনা শান্নবা ঙমখিবা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী অহানবা পুংখায় অমরোমগী মতম অদু খূদুম চন্দুনা আর্মি গ্রীন ফুটবোল টিমগী মায়কৈদা পুশিনবা ঙমখি।

মেটচকী ৩৫ শুবা মিনটতা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা মকান ৱিংক্লেনা খায়দোরকপা বোল অমা টিমমেট স্পেন মচা অলবর্টো লোগুইরানা ফংলদুনা আর্মিগ্রীনগী গোলকিপরনা থিংনবা চেষ্টোরকপা অদু নাথৈদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইবা ঙমখি। শান্নবগী অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা মিনট ১০গী মতম অদু এফ সী গোৱাগী পাঞ্জল অদু আর্মি গ্রীন ফুটবোল টিমগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোকপা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ১৪ চঙশিল্লকপদা পাঞ্জল ১ মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী ফংখিবা খূদোংচাবা অমদা দেবেন্দ্র ধাকু মুর্গাওকরনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। খূদোংচাবা অদু এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী রোমারিও জে সুরাজনা পুরকখিবা বোল অমা য়াম্না মফম চানা লৈখিবা টিমমেট দেবেন্দ্র ধাকুগী মায়কৈদা খায়দোরকপদা ধাকুনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

আর্মি গ্রীনগী মায়কৈদগী মেটচকী লেমহৌরিবা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা মখোয়গী মথক্তা এফ সী গোৱানা চনখিবা পাঞ্জল ২ অদুগী মনুংদা অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবদগী মেটচ অদু এফ সী গোৱানা ২-০দা থোইখি। নীংশিংবা য়াই, এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা অমদি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লিরবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরিবা দুরান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩০রক শুবা এদিসন অসিদা আই এস এল অমসুং আইলীগকী টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ন আর্মি, ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স, ইন্দিয়ন নেভি অমসুং সী আর পি এফ অমদি অসাম রাইফলসকী টিম শরুক য়ারি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী নেসনল বোক্সিংদা হেদ গার্দ শীজিন্নরগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): থা অসিগী ১৫দগী কর্নাটাকাগী বেলারি সিটিদা লৈবা ইন্সপায়র ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মমাংদা শীজিন্নরুদ্রবা হেদ গার্দ শীজিন্নরগনি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্দ মেদল ফংবা বোক্সরশিং অদুনা মথংগী থাদা সর্ভিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং বেলগ্রেদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াবগী খূদোংচাবা ফংগদৌরি। ৱাফম অসি বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল হেমন্ত কালিতানা ফেদরেসন অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ফোঙদোরকপনি।

বোক্সরশিংনা হেদ গার্দ শীজিন্নবা অসি মমাংদা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী লেপ্পুরবা মতুং বোক্সরশিং অসিনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী শেম শাবদা কা-হেন্না অশোকপা লৈতনবা শীজিন্নগদৌরিবনি হায়খি।

সর্ভিয়াগী বেলগ্রেদতা ওক্টোবর ২৬তগী হৌগদৌরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিনা মমাং থাদা লোইশিনখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মতুংদা ইহান হানবা ইন্টরনেসনল বোক্সিং কম্পিটিসন ওইগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, নুপাগী বোক্সরশিংগী ওইনা এমেচর থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসনশিংদা কুমজা ২০১৩দগী হেদ গার্দ উপহল্লম্বা অদু লৌথোকখিবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনা ওলিম্পিকতা শরুক য়ারুরবা বোক্সরশিংনা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়ারকপদা হেন্না শোক্লোইদবা মওংদা বি এ আইনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

রাজু লৈখিদবদা দি এফ এ মোইরাংগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): দেল্লীদা লায়েংদুনা লৈরকখিবা মোইরাং বজারদগী মাইব্রম রাজুনা ইখঙ খঙহৌদনা থা অসিগী ৬তা লৈখিদবা অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা মাইব্রম রাজুনা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বতা নৎতনা দি আর দি এ ইম্ফাল ৱেষ্টকী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনীয়র ওইনসু থৌ পুরমখি। মাইব্রম রাজুনা লৈখিদবগী পাউ হেক ফংবগা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংগী মায়কৈদগী অথুবদা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফম অমা কৌদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট ২ তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপূগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্না লৈখিনবা থৌনীখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঐচ মঘানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মাইব্রম রাজু শান্নবগী হীরম কয়াদা চাউখৎ খোঙথাংদা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা মতেং পীদুনা লাকখিবা মীওই অমনি। মহাক্না পায়খৎলম্বা থবকশিং অদুবু ঙসিগী অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম্না শকখঙখি।

অম্ফানা আর ও, এসিষ্টেন্ট আর ও অমসুং ওবজর্ভর খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোরেগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা রিটর্নিং ওফিসর, এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসর অমসুং ওবজর্ভর খল্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা মোরেগী ঐচ টি সীদা পাঙথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোরেগী ওফিসলশিংগী ওইবা মীখলদা অম্ফাগী মায়কৈদগী রিটর্নিং ওফিসর ওইনা এসোসিএসন অসিগী কম্পিটিসন দিরেক্টর ওইরিবা ঐচ মেঘচন্দ্র খনখি। লোয়ননা এসোসিএসন অসিমক্কী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা এল নবাবু এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসর ওইনা খনখি অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোরেগী পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদুদা ওবজর্ভর ওইনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী সী আর এস মেনেজর ওইরিবা টি ঐচ দেবানন্দ মীতৈনা ওবজর্ভর ওইনা খনখি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়রিবা ওফিসলশিং অসিনা মীখল অদুদা শরুক য়াবদা ট্রাভেল এলাৱেন্স/ দিয়রনেস এলাৱেন্স, দি এফ এ মোরেনা পীগদবনি হায়রি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 223

Levy, David Neil Lawrence - Feller, Joseph
Praia da Rocha zt Praia da Rocha (5), 1969

1.e4 e5
2.Nf3 Nc6
3.d4 exd4
4.c3 dxc3
5.Bc4 d6
6.Nxc3 Be6
7.Bxe6 fxe6
8.Qb3 Qd7
9.Qxb7 Rb8
10.Qa6 Be7
11.O-O Bf6
12.e5 Nxe5
13.Nxe5 Bxe5
14.Qxa7 Rc8
15.Qe3 Nf6
16.f4 Ng4
17.Qe2 Bd4+
18.Kh1 Nf6
19.Ne4 O-O
20.Ng5 e5
21.f5 c5
22.Ne6 Rf7
23.Bg5 d5
24.Bxf6 Rxf6
25.h3 Rb8
26.Rab1 Qa7
27.b3 e4
28.Rbd1 Rf7
29.Qh5 h6
30.f6 Bxf6
31.Qxd5 Qxa2
32.Qxe4...

QUESTION :
White to Win

Puzzle 222 Ans. :

29. ...Rf4+ The black rook decoys White's bishop. Opening the line from e6 to e5. 30.Bxf4 e5+ With a discovered check by the black bishop. 31.Kf3 Qxf4# Swallow's tail mate
29. ...Rf4+ 30.Bxf4 e5+ 31.Kf3 Qxf4#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com